ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ



ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী শুগনু এরিয়াদা কুকি মিলিটেন্টশিংগা নোংমৈ কাপ্নবদা পান্দুনা শোক্লবা মীচম অমা রিমসতা লায়েংনবগীদমক ভোলন্টিয়রশিংনা পুশিল্লকখিবা

অমিট শাহ লাক্লনি। অদুগা কৈদৌদৌরিবা?
☛ লামায় ২

লানদি ঐখোয় পোহনগুমসি- ১
লামায় ৪

লমদম অসিদা হৌজিক ওইরিবা তংদু-লৈতাদবা মতম অসিদা কংকুপ...
☛ লামায় ৫

এম এল এ ১০গী থৌওং লাইবক থীবনি : এম এম দল্লিয়ু ও
☛ লামায় ৬

পাউচে অসিগী য়াওনা পাউমীশিংনা শুগনু অমসুং সেরৌ এরিয়াদা থোকখিবা যূম মৈ থাবা অমসুং নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোকশিং থোকখিবা মফমশিংদা চঙশিন্দুনা ফোটো অমসুং পাউ লৌখিবা



Vol. 47, Issue No. 65 | নিংথৌকাবা, ইঙাগী ৯নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, May 29, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

## মণিপুর মৈ চাক্লি, সিক্যুরিটি ১সুং মীচমশিং শিরি, লৈঙাক্লা হোম মিনিষ্টর লাকপা ঙাইরি

# কম্মান্দো ১সুং মীচম য়াওনা ৯ শিরে, ৫০ মুক শোক্লে, যূম ৫০০ রোম মৈ থাখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস) :** মে ৩গী নুংথিলদগী কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং মথং-মথং থোরক্তুনা মীওই ৭০গী মথক্তা লৈখিদবগা লোয়ননা মফম কয়াদা যূমশিং মৈ থাদোকপদগী লাঞ্জেন্নরবা মীচমশিং রিলিফ কেম্পশিংদা লৈনরিঙৈগী চৈরক্তা ফুরুপ অনীগী লান হেন্না কনশিল্লক্তুনা মফম কয়াদা খূৎ থোক্লবদা পুলিস কম্মান্দো পর্সনেল ১ অমসুং মীচম অমদি কুকি মিলিটেন্টশিং য়াওনা মীওই ৯ লৈখিদ্রে। অদুগা মীওই ৫০ রোম্না শোকপদগী তোঙান তোঙানবা লায়েংশঙশিংদা লায়েংখিবগা লোয়ননা মফম কয়াদা পূন্না যূম ৫০০ রোম মৈ থাদোকখ্রে।

থৌদোকশিং অসি ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ূক্কী লোন্নবা নোংয়াই মতুংদগী ইম্ফাল ৱেষ্টকী ফয়েং, সিংদা, কদাংবন্দ, সেকমাই, ইম্ফাল ইষ্টকী গ্বালতাবী, থম্নাপোকপী, সনাশাবী য়াওনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা সেরৌ অমদি শুগনু অৰাং লৈকায়গী মফমশিং য়াওনা মোরে ৱার্দ নম্বর ৬ অমসুং ৮, কুম্বীগী চন্দনপোকপীনচিংবা মফমশিংদা চাউরাক্লা চপ মান্নবা পুংফমশিংদা মথং-মথং থোকখিবনি।

ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী সেরৌ অমদি শুগনু অৰাং





লৈকায়গী মফম খরদা খূৎশু-খূৎলায় মতিক চানা পায়বা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপ-কাপ্তুনা লাক্লগা মফম অসিদা লৈবা যূমশিং পাক্তক্লনা মৈ থাবা হৌরকখিবনি। যূম মৈ থারে হায়বগী পাউ তাবদগী থংননা লৈবা খুলশিংদগী লাকখিবা মীওইশিংনা চঙশিন্নরকপদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ৱাপোকপীগা থংননা লৈরিবা কুকি কাঙলূপ্পা খুন্দাবা লানচীং খুলদগী স্নাইপর রাইফল য়াওনা অফবা নোংমৈশিং পায়বা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ মৰূ কয়ামরুম মীয়াম অদু তম্না কাপ্পা হৌরকখিবনি। খুঞ্জাশিংগী মায়কৈদগীসু লাইসেন্স নোংমৈশিং শীজিন্নদুনা খূৎ হল্লগা নোংমৈ কাপ্লখি। সেরৌ এরিয়াদসু কুকি মিলিটেন্টশিংনা যূম মৈ থানা-থানা নোংমৈ কাপ্তুনা চেনশিল্লকপদা মখোয়বু তকথোকখিনবা মফম অদুদা য়ৌশিল্লকখিবা সিক্যুরিটিশিংনসু হোৎনখি। নাকল অনীগী মরক্তা পুং কয়া চূপ্পা খূৎ থোক্লখি।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী ককচীংগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর সোমোরজিৎ সলাম, পুলিসকী এস পি স্রেভেটস য়াওনা কম্মান্দো, অসাম রাইফলস অমসুং বি এস এফকী কম্বাইন্দ টিম অমা চঙশিন্নবা হোৎনবদা লাংমৈদোং এরিয়াদা মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না অসাম রাইফলসতা ঐখোয়না থাজবা থমদে হায়রদুনা এ আরগী গাড়ীশিং থৎতুনা চঙহনখিদে। মীয়ামগী খোঙজং অসিদগী এ আর য়াওহন্দনা ককচীংগী দি সী অমসুং এস পিনা কম্মান্দো অমদি বি এস এফকী কাঙবুগা লোয়ননা লানচীং খুল তম্না চঙশিন্দুনা খূৎ থোক্লরিবা অদুদা য়াওশিনখি। মসিদা কুকি লালহৌবশিংনা কাপ্লকপা স্নাইপর রাইফলসকী মৰূ অমা পান্দুনা পুরানা হৈতুপপোকপীদগী ককচীং কম্মান্দোদা কম্মান্দর অমা ওইনা এটেচ তৌরকখিবা অনীশুবা আই আর বিগী হবিলদার থোকচোম কিরন (৪৭) অপোকপা টি ঐচ শ্যামসুন্দর শোকপদগী লায়কন্নবদা কনবা ঙমহৌদনা লৈখিদে।

থৌদোক অসিদা শোকখিবা মীচমশিংনা সেকমাইজিন্দগী নিংথৌজম মোমোচা (২১) অমসুং ককচীং খুনৌদগী নিংথৌজম গান্ধী (৪০)নি। শোক্লবা মখোয় অহুম্মক অহানবদা ককচীংগী জিবন হোস্পিটাল তম্না পুখৎলকপদা লম্বীদা কম্মান্দো কিরন লৈখিদবনি হায়রি।

থৌদোক অসিদা সলুংফমদগী কে ঐচ ওজিৎ (৪৫) কৌবা মীওই অমসু হার্ট এটেক তৌরকপদগী লায়কন্ননবা হোৎনবদা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## বিরেননা চীফ মিনিষ্টরগী ফম হেক থাদোকপদা ঈরাং নেমগনি হায়রদুনা খুল ১০গী খুঞ্জাশিংনা মহাক্কী মিতম মৈ থাখ্রে

### সিক্যুরিটি পর্সনেল কয়া শিরক্লবসু এন বিরেননা ফম কোল্লগা অদুমক লৈরে : মীয়াম

**ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচএনএস) :** লৈবাক্কী ঈরাংনা নোংম-নোংমগী কনশিল্লক্তুনা মীচম কয়া শিবা হেঞ্জিল্লক্লবসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা তূমিন্না লৈশিল্লি হায়না খোঙজংলোয়শিংনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ঙসি ৱাংজিং, হৈরোক লমখাইদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী ইফিজি খুল ১০ রোমগী খুঞ্জাশিংনা মৈ থাদুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবা খুঞ্জাশিংগী ৱাংজিং অমসুং খুল অসিগী অকোয়বদা খুন্দারিবা হৈরোক, লমদিং, তাইরেনবিখোক, ৱাংবল, খাঙবোক অমসুং তেন্থানচিংবা খুলশিংগী খুঞ্জাশিংগী মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না শরুক য়াদুনা চীফ মিনিষ্টরগী মিতম মৈ থাদুনা প্রোটেষ্ট তৌখিবনি।



খোঙজংলোই অমনা হায়, সিক্যুরিটি পর্সনেল কয়া শিরক্লবা ফাওবদা ফম কোল্লগা অদুমক লৈরে, ফিভম অসিদা চীফ মিনিষ্টরগী ফম খুদক্তা থাদোকফম থোক্লবনি। মহাক্লা ফম হেক থাদোকপদা ঈরাং নেমগনি। মরম অসিনা অথুবা মতমদা ফম থাদোকউ হায়খি।

## মিনিষ্টর দিঙ্গো ফয়েংদা চঙহনখিদ্রে, এম এল এ ব্রোজেন ১সুং রামেশ্বরগী যূম নূঙনা লান্দাখ্রে, এম এল এ রঘুমনিগী এস্কোর্ট গাড়ী ২ মৈ থাদোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ূক্কী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং ২ রোম তারকপদা ফয়েং খুলদা কেম্প শাদুনা তূমদনা ঙাক্লক্লিবা ভোলন্টিয়রশিং অফবা মখলগী নোংমৈশিং পায়বা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চথরকপদা পান্দুনা লৈখিদ্রবা ফয়েং চীং খুনৌদগী অঙোম বসন্ত (৩০) অপোকপা এ ইঙোজাওগী থৌদোক্কা মরী লৈননা মফম অসিগী এম এল এসু ওইরিবা মিনিষ্টর হৈখাম দিঙ্গো লাকখিবদা খোইশাওনরবা মীয়াম্না চঙহনখিদ্রে হায়না ঙসি নুংথিল পুং ২ হেল্লকপদা থৌদোক থোকফমদা চঙশিল্লুবা পাউচে অসিদা খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা, শুগনু অমসুং সেরৌগী এরিয়াদা কুকি মিলিটেন্টশিংগা খূৎ থোক্লবদা কম্বান্দো পর্সনেল অমা লৈখিদ্রে হায়বগী পাউ তান্নরকপদগী ৱাংজিংগী মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেনগী ৱাংজিং ৱাংখৈদা লৈবা যূমদা থোমজিল্লক্তুনা এম এল এ ফমদগী রিজ ইন তৌগদবনি হায়বগী খোল্লাউ কয়া লাউশিনখ্রে। খোইশাওনরবা মীয়াম অদুনা এম এল এগী যূমদা নূঙনা লান্দাশিনবদগী যূমগী মিংশেলনচিংবশিং অকায় অতোয় থোকখি। খোইশাওনরবা মীয়াম্না ককচীংগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরগী এস্কোর্ট গাড়ী অমা য়াওনা পূন্না গাড়ী ৭ অমাঙ অতা থোকহল্লমখি। মসিদসু নত্তনা এম এল এগী যূমদসু নূঙ থাজিন্দুনা অকায় অতোয় থোকহনখি।



অমরোমদা, ঙসি খূৎ থোক্লখিবা থৌদোকশিং অসিনা মরম ওইরদুনা থোমজিল্লকখিবা

অমরোমদা, হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভম অসিদা এম এল এ ৫০না ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## অমিট শাহগী খোঙচৎ বোইকোট তৌগনি



**ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস) :**

ওল ইন্দিয়া ফোরৱার্দ ব্লোক (এ আই এফ বি) মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ৱাই ইবোয়াইমনা হয়েং ইম্ফালদা লাক্কদৌরিবা অমিট শাহগী খোঙচৎ বোইকোট তৌগনি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুরগী ঈরাং নুমিৎ ২৫নি শুরবা মতুংদা লাক্কনি হায়রিবা মহাক্কী খোঙচৎ অসি ৱাহন্থোক য়াওদে হায়খি।

## লাঞ্জেন্নরকখিবা মীওই ২০০০ হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচএনএস) :** ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ২ খরা হেল্লকপদগী চান্দেল লোমদগী চঙশিল্লকখিবা অফবা মখলগী খূৎশু-খূৎলায় পায়বা কুকি মিলিটেন্টশিংনা শুগনু অমসুং সেরৌগী মফম খরদা নোংমৈ কাপ্তুনা চঙশিল্লক্লগা যূম কয়া পাক্তক্লনা মৈ থাদোকখিবদগী লৈফম-চাফম লৈত্রদুনা লাঞ্জেন্নরক্লগা শুগনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ কাঙুজম রঞ্জিৎকী যূমদা চঙজফম লৌরকখিবা মীওই ২০০০ হেন্না ঙসি অহিং নোংয়াই মতুং ফাওবদা শাফগদবা মফমশিংদা থংদোক-থংজিন তৌখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা এম এল এনা ফোঙদোরকপদা মহাক মশামক য়াওনা ৩৭-অসাম রাইফলসকী বুলেট প্রুভ গাড়ী ৪/৫ শীজিন্নদুনা ময়ূম-মকৈ মৈ থাদোকখিবদগী চঙজফম লৌররিবা মীয়াম্বু শাফগদবা মফমশিংদা হোন্দোক-হোঞ্জিন তৌবগী থবক চখখি হায়রি।

লাঞ্জেন্নরবা মীওইশিং অসিগী মতাংদসু মহাক্লা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা মতম চানা পাউ পীরগা খঙহনখিবা লৈখ্রে হায়রি। লাঞ্জেন্নরবা মীয়াম্বু শাফগদবা মফমদা থমদুনা চান-থক্লবা পোৎশিং নিংথিজনা ফংহনবগী থবক অসি হৌজিক থোরল্লিবা কাঙলূপকী ঈরাং অসিগী মনুংদা তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা থবকশিংনি হায়রি।

অমরোমদা, ঙসিগী থৌদোকশিং অদুগী মখা তারকপদা শুগনুগা চুড়াচান্দপুরগগী ফাওনবা লম্বী পরিংদা শাবা থোং অমসু মশক খঙদবশিংনা থুগাইদুনা অমাঙ অতা থোকহল্লক্লে হায়রি।

## অমিট শাহদা পোলিটিকেল পার্টি ৮না মেমোরেন্দম পীশিনগদৌরি

**ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস) :**

ইম্ফালগী অনীশুবা এম আরগী গেট ময়াদা লৈবা জে দি (য়ু) মণিপুরগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ বিরেনগী যূমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা হয়েং নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা লাক্কদৌরিবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদা তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্নবা জে দি (য়ু) না পোলিটিকেল পার্টি তরেৎকা খূৎশম্নদুনা থৌরাং তৌরে হায়রি।

পোলিটিকেল পার্টিশিং অদুদি সী পি আই, সী পি এম, কোংগ্রেস, সিব সেনা (উধব থাক্রে), এ এ পি অমসুং আর এস পিনি হায়রি। মেমোরেন্দম অসিগীদমক পার্টি নিপানগী মীহুৎশিংগী মীফম অমসু পাঙথোক্লে হায়রি।

## মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি অমসুং য়ুনিটিদগী এম এল এ-মিনিষ্টরগী ফম্না হেন্না লুদে : রঞ্জন

**ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি অমসুং য়ুনিটিদগী এম এল এ-মিনিষ্টরশিংগী ফম্না হেন্না মরু ওইদে হায়না হেল্থ মিনিষ্টর ডা. সাপম রঞ্জননা ঙসি কৈশাম্পাৎতা লৈবা দি আই পি আরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টরনা হায়, মহাক্লা মণিপুরগী মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা ষ্টেট অসিগী য়ুনিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটি ঙাক্লবা থবকশিং তৌমিন্নখিগনি। লোয়ননা মণিপুরগী য়ুনিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটি ঙাক্লা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎকনি হায়খি। অদুগা মণিপুরগী ঈং-তপ্পা ফীভম্বু কায়হন্নবা হোৎনরল্লিবা মরাল লৈবশিং লৈহন্দনবা হোৎনবা লৈঙাক্কী থৌরাং হোংদনা লৈরি হায়খি।

থা অসিগী ৩দগী থোরকখিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিংনা ষ্টেট অসিদা অৱাবা ফীভম অমা মায়োক্লহল্লে হায়রদুনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মহৌশাগী ঈং-তপ্পা অমুক হঞ্জিল্লক্লবা থবকশিং লৌখৎলি হায়খি। লোয়ননা লৈঙাক্লা লৌখৎলল্লিবা থবকশিংদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

হৌজিক থোরল্লিবা থৌদোকশিং অসিনা মরম ওইরদুনা মীয়াম পূন্নমক মীপাইবা পোকহল্লে হায়রদুনা ফীভম অসিদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি ঙাকপনি হায়খি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বশিং থুংহন্নবা মতম পূন্নমক্তা হোৎনরি হায়বগা লোয়ননা লমহেন তুহেনবশিংনা চথরকপা তমথীরবা থবক থৌওংশিংদা লৈঙাক্লা কৈদৌনুংদা কমপ্রোমাইজ তৌরোই হায়বা ৱাফমসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

## লৈঙাক্লা শীংনরকপা পূন্নমক মায়োক্লখিগনি : বিরেন

**ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচএনএস) :** ঙসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মহাক্কী সেক্রেটেরিএটকী দরবার হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা চীংগা তাইনবা তম্পাক্কী মফমশিংদা লৈরিবা মীচমশিংদা এটেক তৌরকপগী থৌওংশিংবু য়াম্না কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অসিনা নাকল অনীমক্তা অশোক অপন নংহল্লকপবুসু নুংঙাইতবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা ঈং-তপ্পা অমুক হন্না হঞ্জিলহন্নবা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চীংগা তাইনবা তম্পাক্কী মফমশিংদা লৈরিবা মীচমশিংগী যূমশিংবু মৈ থাবগী থৌদোকশিং নোংমা নীনিসিদা চথরল্লিবা অসি হান্না শেম শারবা মতুংদা চথরকপনি হায়রদুনা থৌদোকশিং অসি হৌজিক মণিপুরদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী ষ্টেট মিনিষ্টর নিত্যানন্দ রায় লৈরিঙৈদা থোকপনি হায়খি।

লোয়ননা মণিপুরবু থুগাইনবা অমসুং ঈং-তপ্পা মীয়ামগী পুন্সিদা অয়েৎ অকায় পীরল্লিবশিং অসি ষ্টেট অসিগী ফুরুপ ২৪গী য়েক্লবশিংনি হায়রদুনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শীংনরকপা পূন্নমক মখা তানা মায়োক্লখিগনি হায়খি।

চথরল্লিবা থৌওং অসিমক মণিপুর অমসুং ষ্টেট অসিগী ইন্টিগ্রিটিদা শীংনরকপনি হায়রদুনা ফুরুপ ৩৪না লৈঙাক্তা থাজবা থম্বীয়ু হায়নসু আপীল তৌরদুনা মহাক্কী লৈঙাক্লা কৈদৌনুংদা মণিপুর মচেৎ তাহনবগী থৌদোকশিংদা অয়াবা পীরোই অমসুং মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি ঙাকপগা লোয়ননা খূৎলায় পায়বা টেররিষ্টশিং মৰূ ফংনা মূথৎকনি হায়খি।

হৌজিক থোরল্লিবা থৌদোকশিং অসি মণিপুরবু থুগাইনবা হোৎনরকপা খূৎলায় পায়বা টেররিষ্টশিংগা সেন্টরনা মতেং পাংলিবা ষ্টেট লৈঙাক্কী মরক্তনি হায়রদুনা মীয়াম্না লম্বী সরক্তা থোরকপা য়াওনা ঈহৌশিংদা য়াওশিনবীগনু। থৌওং অসিনা কম্মান্দো অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা থোকহল্লি হায়খি।

লোয়ননা ষ্টেট ফোর্সশিং অসি হকথেংননা মণিপুর হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবনি হায়রদুনা মখোয়না মথৌ পাঙথোকপদা অথিংবা অমত্তা লৈত্রে হায়খি।

লোয়ননা অফবা মখলগী খূৎশু খূৎলায় পায়বা টেররিষ্টশিংদা খূৎ হন্দুনা চথরকপা ওপরেসনশিংগী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা টেররিষ্ট ৩০ রোম তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাৎখ্রে অদুগা খরনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফারে হায়খি। পাউমীশিংগা উন্নবদা মিনিষ্টর খরা শরুক য়াখি।

## কর্ফিয়ু কোমথোক্লরোই

**ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস) :**

হয়েং মে ২৯গী ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্লরোই হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Manipurda houjik thokliba thoudoksing ashi State leingakna "Houdongna Nga chari, yengli" haibagumna leithokle haibada langadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Manipurgi Teritorial Integrity kaihandanaba furup pumnamak amata oina khongpham chetna lepminnabagi matam laklabra?

Yes 100% No 0%

## এম এল এ-মিনিষ্টর, অসাম রাইফলস-আর্মি অমত্তা লানফমদা চঙবীরক্লগনু ষ্টেট ফোর্সশিং ওইনা থাবীরকউ : খোয়শাওনরবা খুঞ্জাশিং

### হকথেংনবা পাউদম

*খোয়শাওনরবা খুঞ্জাশিং*

**ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৩দগী হৌরক্লগা ঙসি নুমিৎ ২৬নি শুরকপা ফাওবদসু ফুরুপ মশেলগী মরক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিংগী মনুংদা যূম মৈ থাবা, নোংমৈনা কাপ্তুনা মীচম হাৎপগী থৌদোকশিং লেপ্তুনা থোরকপদগী মীশি মীনা য়াওরবা ফয়েংদা ঙসি নুংথিল পুং ২ অদুৱাইদা চৎলুবদা খুঞ্জাশিংনা হায়, ঙরাং ফয়েং খুলগী ঙমখৈদা কেম্প শাদুনা খুল ঙাক্লিবা মফমদা অফবা মখলগী খূৎশু-খূৎলায়শিং শীজিন্নদুনা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মশাগী চহী ৩০ মুক শুরবা অদুগা মচাগী ইপান শোনবদা ঙাইরিবা নহা অমা শিরগা অতোপ্পা অমনা য়াম্না থীনা শোক্তুনা লায়কন্নরি হায়রকখি।

মফম অদুদা লৈরম্বা মীয়ামশিং অদু য়াম্না পূক্নিং নুংশিনা অমসুং ৱারৌনা লৈরম্বগা লোয়ননা ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ূক্কী লোন্নবা নোংয়াই মতুং পুং ২ রোম তারকপদা ফয়েং, কদাংবন্দ য়াওনা সেকমাই, সেরৌ অমসুং শুগনুনচিংবা মফমশিংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চপ মান্নবা মতমদা অফবা মখলগী খূৎলায়শিং পায়দুনা মীতৈমীয়ামদা এটেক তৌরকখিবনি হায়রকখি।

ঈরাং অসিনা থোক্লকখিবা নুমিত্তুদগী হৌরদুনা অশোক-অপন নংলবা, ময়ূম-মকৈ তাঙ্গোয় তাহৌরবা, মফম মফমদা লৈবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবশিং অমদি খুলবু ঙাক-শেন্দুনা লৈহৌরিবা খুঞ্জাশিং, ময়াম অসিগী খোঙ্গুল




লীজদুনা উন্নরুবগী পাউদম - কুকি মিলিটেন্টশিংদুনা পায়বা নোংমৈশিংগী মনুংদা লাইট মেছিন গন (এল এম জি), এ কে ৪৭ রাইফলশিং অমসুং এম সিক্সটিন রাইফলস য়াওনা স্নাইপর রাইফলনচিংবা শীজিন্নখি হায়রকখি। কুকি মিলিটেন্টশিংনা এটেক তৌরকখিবা মফমশিং অসি সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্সেস অমসুং আর্মি পর্সনেলশিং খরা খরা লৈবা মফমশিংনি অদুবু কুকি মিলিটেন্টশিংনা এটেক চথরকপদা মখোয়দগী মতেং অমত্তা ফংদে হায়রকখি। মরম অসিনা হৌজিক অৱা-চৈথেং নংলবা, চীংয়া, লোইজি-লোইয়াদা লৈবা খুঞ্জাশিংনা মখোয়বু ষ্টেট ফোর্সশিংনা ঙাকপীবা পাম্মী হায়না ফোঙদোরকখি।

মফম অদুদা লৈরমখিবা ভোলন্টিয়রশিং অদু নুমিৎ নীনি/হুমনি চরা হেনবমখৈ অতোপ্পা মফমশিংদগী লাক্লবসু য়াওবনা য়াম্না খোইশাওননা পাউচে অসিগা ৱারী শাবদা ফাওবা থোইদোক্লা খোইজংখিদে। মফম অসি এম এল এশিংনা খুদোংচাবা লৌনবা অমসুং পোলিটিকেল মাইলএজ লৌনবগীদমক্তা লানফমদা চঙবীরক্কনু হায়নসু ফোঙদোরকখি। চীং অমসুং তমগী তাইনবা মফমশিংদা হৌজিক লাম্থেংনরিবা মীয়ামগীদমক্তা থৱায় ফাওবা থাদোকপা ঙম্বীগদবা ওইরবদি তরাম্না ওকচরি হায়রকখি।

ভোলন্টিয়রশিং অসি শিবা চঙবা কিদনা থৱায় থারবসু য়ারে হায়দুনা মীয়াম্বু কন্নবগীদমক্তা অরৈবা খূৎলায় পায়দুনা চোংথোরক্লবনি হায়খি অদুগা কুম্মৈ য়েংবদৌনা চহী ...মখা লামায় ৩ কলম ১

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫